## ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ সরতনা মহাক্কী...

*লমায় ১গী মখা...* শেল লৌরবসু মণিপুর কনবা ঙমগদবা মীরেপ্তা ভোট থাদদুনা মীয়ামগী মীহুৎ ওইহনসি। লোক সভা মীখল অসি মণিপুরগীদমক খ্বাইদগী লূবা মীখল ওইগদৌরিবনি। হন্দক্কী মতাংদা মণিপুর কলহৌদ্রবদি মণিপুর লোইরগনি হায়না ফোঙদোরকখি।

অতোপ্পা মীরেপশিংগা ইমান মান্নদবা মওংদা মশাগী য়ূমগী মাঙ্গোলদা মথন্তা ফল্লম্বা কেন্দিদেট অসিনা মখা তানা হায়, মহাক কুমজা ২০২২গী এসেমব্লি মীখলদা দেমোক্রেটিক রেভল্যুস্নরি পিপলস পার্টিগী টিকেটতা য়াইস্কুল এ সীদা করিগুম্বা অমত্তা শেম শাহৌদনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়বদগী মীখল থেংনখি। মমাঙ চহীগী মে ৩দগী হাৎন-শুনবগী থৌদোকশিং থোরকখিবদগী মহাক চীংয়া তময়াদা চৎতুনা নহাশিংদা মশা ঙাকথোকচনবগী ত্রেনিং কয়া পীরল্লি। থা কয়া মীয়ামগা তোৎন-তিন্ননা লৈরকপনা মহাক 'ময়ামগী পাবুং' ওইখি হায়রি।

তোঙান তোঙানবা লূপ অমদি মহাক্কা থেংনরকখিবা মীয়াম্নসু অহোংবা অমা পান্বদগী মহাকপু মীখল থেংননবা হায়বীরকখিবনি হায়রদুনা চহী ২০ হেন্না কলমনিষ্ট ওইদুনা ৱাখল্লোন কয়া ফোঙদোক্লুনা খুন্নাইসিদা শোয়রিবা কয়া শেমদোক্লবা হোৎনরক্লি। হৌজিক মণিপুরগী ঙমখৈ পীকশিল্লকপগুম ঐখোয়না চৎথোক চৎশিন য়াদ্রিবা কয়াগী মতাংদসু চহী ২৫গী মমাঙদা ইদুনা মীয়ামদা ৱাখল তাহন্নবা হোৎনখ্রে হায়রি।

মশাগী চহী ৭০ শুরক্লবা মীরেপ অসিনা মখা তানা হায়, মহাক্না মীখল থেংনরিবসি মীয়ামগী থৌগল তৌগে হায়দুনা থোরকপনি। মীয়ামগীদমক পূকচেল শেংনা থবক তৌনীংই। মীয়াম্না য়াবীরবদি মীয়ামগীদমক কখোকপগা লোয়ননা থবক তৌগনি। করিগুম্বা এম পি ওইরবদি লোকল এরিয়া দিভেলপমেন্ট ফন্দসু লায়রবা অমদি অৱা অনা তারবশিংদা পূন্নমক কখোক্কনি হায়খি।

মহাক মশাগী ওইনা মাইক্রোফোনদা য়াম্না চাউবা মওংদা মীফম পাঙথোক্লুনা ভোট খোম্বা পামজদে অমসুং মহাক্কী য়েক্লবা অমত্তা লৈতে হায়রদুনা এস্কোর্ট ফাওবা লৌরোই হায়রকখি।

মণিপুর অসি নিংথৌ খাগেন্দ্রগী মতম ফাওবা ঈং-তপ্পা পাল্লন্মী। মসিগী মতুং চহী ৩৭০ হেনবসি মফম মরাং খঙদনা লাক্লি। মণিপুরদা অপূনবগী পাঙ্গল শাগৎপা, থকসি-খাসি অমদি হৌন-লোনচৎ খঙনা চৎপগী চাং য়াম্না নেল্লি অদুগা শেঞ্জা থুমজাগী চাং কা হেন্না ৱাংবনা খুন্নাই অসি হীরম কয়াদা শোয়রক্লি হায়খি। মহাক মশাগী পেন্সন ফংলিবা অসিনা য়ূমদা নুংঙাইনা পোত্থারগা লৈবা য়াই অদুবু অফবা তৌদ্রবদি অফবা মহয় ফংলোই হায়বগী ৱাখল্লোন্দা শোয়রিবা ময়াম অসি শেমদোক্লিংই। মহাক্কী ওইনা লৌউ-শিংউ চাওখৎহনবা অমদি মীয়ামগা তান্নদুনা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎপদা অহেনবা মীৎয়েং থমগনি। শেল লৌরগা ভোট থাদনরুবদগী মণিপুরগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা ৱা অমত্তা ঙাঙলকখিদবনি। মীয়াম্না ইশা ইশাগী ইকায়খুম্নবা লৈহনগদবনি। মণিপুরদা য়ুনিটি অমদি দিসিপ্লিন লৈরবা মতম খক্তদা ঈং-তপ্পা অমদি চাওখৎপা ঙমগনি হায়রকখি।

## কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী পোল্লিং পর্সনেলশিংগী ত্রেনিং পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ০১ (ঐচএনএস) :** পাঙথোক্লগদবা লোক সভা মীখল অসিদা মথৌ পাঙথোক্কদবা কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী পোল্লিং পর্সনেলশিংগী ত্রেনিং অমা ঙসি কামজোং ইলেক্সন হোল (নৈলিট হোল) দা পাঙথোকখ্রে।

উখ্রুলগী মিনি সেক্রেটরিএটতা লৈবা হোল অসিদা পাঙথোকখিবা ত্রেনিংদা কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী অমত্তা ঙাইরবা ৪৩- ফুংয়ার (এস টি) এ সীগী পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা তোঙান তোঙানবা মথৌ পাঙথোক্কদবা পর্সনেলশিংনা শরুক য়াখি। ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসিদা ফুংয়ারগী এস দি ও রাং দেভিদ কুংনা ত্রেনর ওইখি। ত্রেনিং মনুংদা ঈ ভি এম শীজিন্নবা য়াওনা মীখলগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা তাকপী তম্বীখি।

## খূৎশুমলগী ৱাহৌদা জুগালিনা...

*লমায় ১গী মখা...*মহাক লোক্তাক প্রোজেক্ট অৱাং লৈকায়গী থবক শূফম অমগী মিস্ত্রি ওইবনি। ঙরাং নুংথিল পুং ৪.৩০ রোম তারকপদা লৈখিদ্রবা মিস্ত্রি অসিগা ক্বাক সিফাইদগী শিজগুরুময়ূম বিরেন (৫৪) অপোকপা এস বিহারি কৌবা জুগালি অমগা খূৎশুমল য়াম্মী-য়ামদে হায়বগী মতাংদা নীংঙাই শংদানখিবনি।

জুগালি অসিনা নোংমগী খূৎশুমল লুপা ৪০০ পীরিবা অসি মতমগা চুনদ্রে হায়রদুনা লুপা ৭০০তা হেনগৎপীনবা হায়রুবদা ঙল্লগা শূ, ঙমদ্রগা তোকউ হায়রকপদগী মখোয় অনীগী মরক্তা নীংঙাই শংদানরকখিবনি। তুংদা জুগালি অসিনা ময়ূমদা হনখ্রবা মতুং সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অমা পুদুনা লাক্লগা মিস্ত্রি অসিবু মশাগী কোম্বোং ময়াদা নোংমৈ মরূ অমা কাপশিল্লমখিবনি। খুদক্তা মহাক বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা পুখৎলকখি। অদুম ওইনমক নুমিদাংগী পুং ১০ রোম তাবদা কনবা ঙমদনা লৈখিদবনি হায়রি। মহাক্কী হকচাং ইমুংগী মীওইশিংনা ক্লেম তৌরক্তবদগী রিমসকী মীরেলশঙদা থল্লি। অদুগা নোংমৈ কাপ্লম্বনি হায়বা জুগালি অদু ঙসি নুংথিল পুলিসনা শগোলমাং এরিয়াদগী মহাক্না শীজিন্নবা নোংমৈগা কোন্ননা ফারে হায়রি।

## শেলগী ৱাহৌদা কাটিনা ...

*লমায় ১গী মখা...*শোক্লবা মীওইদুগী মমিং তোইজম বিহান্ত (৪৮) কৌই, ক্বাক্তা সম্বোংদগী লাক্লগা হৌজিক্লা লাইফম খুনৌদা টেন্ট হাউস চলাইদুনা লৈবনি। মঙোন দা কাটিনা থিল্লল্লিবা মীওই অদুগী মমিংনা শীংজমৈ চীংঙামথক্তগী শরুংবম জিতেন মৈতৈ (৫৫) কৌই হায়রি। থৌদোক অসিগী মতাংদা পুলিসনা কেস অমা লৌখৎখ্রে।

## ইষ্টর্ন নাগালেন্দ পিপলস...

*লমায় ১গী মখা...* কোপিশিং নাগালেন্দগী হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র মিনিষ্টরসু ওইরিবা ইষ্টর্ন নাগলেন্দ লেজিসলেটরস য়ুনিয়নগী কনভিনর, নাগালেন্দগী চীফ সেক্রেটরি, চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর, দি জি পি, তুয়েন্সাং, মোন, লোংলেং, কিফিরে, নোকলাক, সমাতোরনচিংবা দিষ্ট্রিক্ট তরুক্কী দেপ্যুটি কম্মিস্নরশিংদসু পীখি হায়রি।

চেরোল অসিনা মীখলদা শরুক য়ারোইদবগী মরমনি হায়দুনা ঈ সী আইদা পীশিনখিবা চেরোলদা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা নাগালেন্দদা ফ্রন্টিয়র নাগালেন্দ টেরিটরি অমা শেম্নবগী মতাংদা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসনা দিসেম্বর ৭, ২০২৩দা পীরকখিবা থাজবা অমনা ফ্রন্টিয়র নাগালেন্দ টেরিটরি শেম্বগী থবক অসি লোক সভা মীখল, ২০২৪গী মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট চৎনরে হায়দুনা লাউথোক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা লৈখায় তাগনি হায়খিবনি। অদুবু থাজবা পীরকখিবা অসিগী মতুংইন্না ঈ এন পি ওগী মায়কৈদগী অইবা চেরোল কয়া ইবদা নত্তনা মীয়ামগী রেল্লিনচিংবা কয়া পাঙথোক্লুনা থবক্তা ওন্থোক্লবা খঙহনখ্রবসু হোম এফেয়রসনা তাশিন্নদনা লৈরকপদগী হৌজিক্তি ঈ সী আইনা মীখল অসিগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট লাউথোরকখ্রে। মরম অসিনা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা ঈ এন পি ওনা কোল্লিবা নাগালেন্দগী দিষ্ট্রিক্ট তরুক্কী মীয়াম্না শরুক য়াররোই হায়না খঙহনখিবনি হায়রি।

## শওক্সুংগী এফ সী আই গোদাউন্দগী নম্ফুদা পুখিবা...

*লমায় ১গী মখা...* ক্ষেত্রিগাও এ সীগী য়াল্লবা মীয়াম্না গোদাউন্দগী চেঙশিং অদু নম্ফুদা পুখিবগী থৌদোক অদু য়াম্না লাইবক থীবনি। ক্ষেত্রিগাও এ সীগী ওইনা মমাঙ চহী ২০২৩গী সেপ্টেম্বর অমদি ওক্টোবরগী ফংফম থোকপা নফসাগী চেঙ অসি ফংদ্রে হায়না কমপ্লেন্ট তৌরকখি। মসিগী মতাংদা ফিল্ড ভেরিফিকেসন চত্থনবা দিপার্টমেন্টনা ওর্দর থোক্লুনা মরী লৈনবা দি এস ওদা খঙহনখি। মসিগী মতুংইন্না মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ১দগী হৌদুনা দি এস ওশিংনা ক্ষেত্রিগাও এ সীগী য়ুমথোঙ খুদিংদা হকথেংননা চৎতুনা ফিল্ড ভেরিফিকেসন চত্থরবা মতুং দিসেম্বর ৪দা ভেরিফিকেসন রিপোর্ট অমা সবমিট তৌরকখি। মসিগী মতুং দিসেম্বর ৫দা লোয়শঙ অসিদা রিপোর্ট অদু পীখৎলকখি। রিপোর্ট অদুগী মতুংইন্না ক্ষেত্রিগাও এ সীগী লৈরিবা ফেয়র প্রাইস শোপ (এফ পি এস) শিংদা সেপ্টেম্বর অমসুং ওক্টোবরগী চেঙ ফংদবগী রিপোর্ট য়াওরকখি। অদুগা বেনিফিসরিশিংগী রেসন কার্দশিংসু এফ পি এস এজেন্টশিংনা পায়শিনখ্রে হায়নসু পল্লকখি।

রিপোর্ট অসিগী মতুং দিসেম্বর ১৪দা ইম্ফাল ইষ্টকী এস পিদা হীরম অসিগী মতাংদা থিজিনবীনবা কমপ্লেন্ট অমা দি এস ওনা ফাইল তৌখি। চৈরকসিদা মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ২৮দসু ক্ষেত্রিগাও এ সীগী মীওই ১৮না পুল্লগা থা ৩গী চেঙ ফংদ্রি হায়না অমুক্কসু ৱাকৎলকখি। রিপোর্ট অসি লোয়শঙনা লূম্না লৌদুনা মরী লৈনবা ওথোরিটিগা তান্নদুনা চেঙ ফংহন্নবা অমসুং বেনিফিসরিশিংদগী চেঙ ফংদ্রে হায়দুনা লাক্লিবা কমপ্লেন্টশিং অসি ভেরিফিকেসন চত্থদুনা লাকখিবনি। তুংদা মমাঙ থা মার্চ ২০দা ক্ষেত্রিগাও এ সীগী বেনিফিসরিশিংদা সেপ্টেম্বর অমসুং ওক্টোবরগী নফসাগী চেঙ মপূং ফানা ফংহনখ্রে হায়বগী রিপোর্ট অমা এস পিনা দি এস ও ইম্ফাল ইষ্টতা পীরকখিবনি। নফসাগী বেনিফিসরিশিংদা চেঙ য়েন্থোকপা মতমদা এ সী অমত্তগী ইলেক্তেদ পর্সনশিং য়াওনদে। এফ পি এস এজেন্টশিংনা চেঙশিং অদু য়েনবনি অদুবু ইম্ফাল ইষ্টকী এফ পি এস এজেন্টশিংগী মতম অসি মার্চ ৩১দা লোইরবনিনা ইলেক্সনগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট লাক্ত্রিঙৈদগী হৌনা নোটিস থোক্লুনা মার্চ ৭তগী ১২ ফাওবগী মনুংদা অনৌবা এফ পি এস এজেন্ট ওইনীংবশিং ফোর্ম থাজিল্লক্লবা খঙহনখিবনি। মসিদসু ক্ষেত্রিগাও এ সীগী এম এল এগী সপোর্টরশিংনা ইম্ফাল ইষ্টকী দি এস ওগী ওফিসতা লাক্লুনা কিহন-খংহনবগী থবকশিং চত্থখিবগা লোয়ননা এফ পি এস এজেন্টকী ফোর্মশিং নম্ফুদা লৌরগা থাজিল্লম্বগী থৌওংশিং চত্থখিবা লৈখি।

থৌদোক অসিগী মতাংদসু দি এস ওনা মরী লৈনবা দি সীদা অইবা চেরোল অমা পীশিন্দুনা থিজিনবীনবা হায়জখিবা লৈখি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা ইম্ফাল ইষ্টকী অনৌবা এফ পি এস এজেন্ট লৈতবনা বেনিফিসরিশিংদা চেঙ য়েন্থোকপগী থবক অসি দি এস ও অমদি ওফিসল ষ্টাফশিংনা পাঙথোকপনি। ক্ষেত্রিগাও এ সীগী ওইনা সেপ্টেম্বর অমসুং ওক্টোবরগী নফসাগী চেঙ ফংদ্রে হায়না রিপোর্ট লাক্লবনিনা ফংহৌদ্রিবশিংনা নুমিৎ নীনি ফাওবগী মনুংদা দিপার্টমেন্টতা খঙহনবীরকউ হায়খি। করিগুম্বা খঙহনবীরক্তবদি দিপার্টমেন্টনা চেঙ ফংলে হায়না লৌরগা মখা তাবা থাশিংগী চেঙ দিষ্ট্রিক্ট ওফিসলশিংগা তান্নরগা য়েন্থোক্লবা হোৎনগনি হায়খি।

## এক্স এম এল এ ১ য়াওনা মীওই ৪ কোংগ্রেসতা ...

*লমায় ১গী মখা...* হান্নগী য়ুথ ৱিংগী প্রসিদেন্ট এদভোকেট ওইনাম হেমন্ত অমদি কোংগ্রেসকী হান্নগী মিনিষ্টর থৌদাম দেবেন্দ্রগী মচানুপা টি ঐচ দেবদত্তনি।

বি জে পি অমসুং অতৈ পার্টিদা য়াওরম্বদগী নৌহৌননা কোংগ্রেসতা য়াওরকখিবশিংবু তরাম্না ওকপগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা মণিপুরগী আই এন দি এ ব্লোক অমসুং ৱাখল মান্নবা পার্টি ১০গী ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিদা মীরেপ ওইরিবা প্রোফেসর অঙোমচা বিমোল অকোইজম্না মখা তানা হায়, হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা ১৮শুবা লোক সভা মীখল অসি চুম্নগী মীখলনি হায়না লৌবীগনু। মণিপুরগী অপূনবগী শক্তমদা থেঙ্খাং কয়ারক্তা শীংনরকপা কয়া লৈখ্রে। মণিপুরবু মচেৎ তানা থুগাইবা য়ারোই হায়না হন্দক লমদমসিগী মীয়াম্না হৌরকখিবা ঈহৌ অসি শিরমদাইগী খোঙ্গাওগুম্বনি। চহী লিশীং ৩ হেনবগী পুৱারীদা ঐখোয়না হন্দক কংলাতোংবী লানবা য়াদবা, ফৌগাকচাও ইখাই লানবা য়াদবসি অমুক্তা থোকখিদ্রি। হন্দক্কী মীখলসিদা মণিপুরগী মীয়াম্না অমত্তা ওইনা লেপখৎতুনা অচেৎপা ফিরেপ লৌহৌদ্রবদি মণিপুর অমুক হন্না হৌগৎপা ঙল্লরোই হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, মণিপুরদা থা ১১ য়ৌনা চত্থরল্লিবা হাৎন-শুনবা অসি বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক্লা লেপহনবা ঙমদবা নত্তে। লেপহল্লোই হায়না লেপহন্দবনি হায়বসি মীয়াম্না কাউবীগনু। হাৎন-শুনবগী মীকপ-মীরাওখোল ময়াম অসি ফূরুপ অমদা লোইনা তাইনবা, মীতৈনসু কুকিদা তাইনবা, কুকিনসু মীতৈদা তাইনবগী মহুত্তা খাইবুং তাহন্নবগী পোলিটিক্স শান্নরিবা খূৎকন-পাঙ্গলবা কাঙবুদা ওইনা তাইনগদবনি। ১৮শুবা লোক সভা মীখলদা হান্নগী মওংদা মীয়ামগী ভোট শেল-থুম্না লৈবা য়াহল্লবদি 'পেত্রিওটস দে' অমদি 'খোংজেম দে' নচিংবা নুমিৎকী থৌরমশিং পাঙথোকপগী মথৌ তারক্লোই। লৈবাক অসিবু অমসুং লমদম অসিবু কন্দবা য়াদে হায়দুনা আই এন দি আই এ ব্লোক কৌবা পোলিটিকেল পার্টি ময়াম চুংশিন্নরকপদা কোংগ্রেস পার্টিদা থাজদুনা নৌনা মীওই কয়া চঙলক্লিবনি। মসিদা মীওই কাঙবু অমনা শেলগী ময়াইনা নৎত্রগা নম্ফু হাফুদা মমাবু কাউথোকপা য়াওরক্কনি অদুবু অতৈ পোলিটিকেল পার্টিদা য়াওবা মীওই ফাওবা ঐগীদমক ভোট থাদগনি হায়নরক্লি। মণিপুরগী ইস্যুশিং মুন্না খঙবা, মণিপুর নুংশিজবা মী খুদিংমক্না ঐগীদমক শোয়দনা লেপ্লক্কনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা লৈরে হায়খি।

থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অমদি সী এল পিগী লুচিংবা ওক্রম ইবোবীনা হায়, ঙসি পার্টি অসিদা চঙলক্লিবা মীওই ৪গী মনুংদা অমখক নত্তনা অতৈদি ময়ূমদা হল্লকপগুম্বনি। লমদমসিদা হৌজিক মশীং য়াল্লবা মীয়াম্না অৱা অনা তাদুনা 'হ্যুমেন ক্রাইসিস' অচৌবা অমা থোক্লি। অসিগুম্বা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা লমদমসিগী মীয়াম্না অৱা অনা তারবসু লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টরনা অতৈ ষ্টেটশিংদা থৱায় য়াওবগুম অৱাবা ফোঙদোকপগী চেরোল অমা ফাওবা থোক্ত্রি। মণিপুরগী মীয়াম, রিলিফ কেম্পতা লাঞ্জেন্নরিবা মীয়াম অসি প্রাইম মিনিষ্টরনা মীওইবা অমা ওইনা খন্দ্রবরা হংখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, বি জে পিদগী কারকখিবা ইন্নর মণিপুরগী এম পিনা মিনিষ্টর ফাওবা ওইরি। রাজ্য সভাগী এম পিসু বি জে পিগীনি অদুবু মখোয়না মণিপুরগী ৱাথোক করম্বা মতমদা লোইশিনগদগে হায়না পার্লিয়ামেন্টতা হংবা ফাওবা ঙমদে, প্রাইম মিনিষ্টরবু মণিপুরদা লাকহনবসু ঙমদে, এপোইন্টমেন্ট লৌবসু ঙমদে হায়রদুনা চহী ৫গী মনুংদা অমুক্তং ফংবা মীয়ামগী মীহুৎ খনবগী হক অসি শেল খরা ফংলগা য়োম্বোল্লবদি হৌজিক লৈরিবা ফীভমসিদা অদুমক লৈগনি। চহী ৫গী হক অদু ভোট থাদখ্রবা মতুং থা খরা লৈরগা অমুক হন্দোক্কে হায়বা য়াগদৌবা নত্তে। মরম অসিনা মীয়াম্না শেলনা ভোটপু লৈহন্দনা অহোংবা অমা লাক্লবগীদমক খূবাক য়েকপা সিম্বোলদা ভোট পীবিয়ু হায়খি।

কোংগ্রেস ৱার্কিং কম্মিটিগী মেম্বরসু ওইরিবা হান্নগী মণিপুর লৈঙাক্কী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর গাইখাঙম্না হায়, হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা ১৮শুবা লোক সভা মীখলসিদা মণিপুরগী হীমাই চুমহৌদ্রবদি লূপখ্রগনি। কুমজা ২০১৪গী মীখলদা ঐখোয়গী পার্টিগী লুচিংবশিংনা মণিপুরগী লৈহাওগা য়াম্না চান্নদবা পার্টি অমা লৈ, মখোয় লাক্লবদি মীকপ মীরাওখোলনা নিল্লগনি হায়না মীয়ামদা চেকশিন ৱা থমখ্রবনি। মসিগী মথক্তা লৈবাকসিদা মোংবা চঙলে, শোয়দনা অৱাবা তারগনি হায়নসু মীয়ামদা হায়জখিবনি। ঙসিদি চেকশিলহৌদবদগী মীশি মীনা কয়া থোক্তুনা মীকপ মীরাওখোলনা লমদমসি নিল্লে। বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক সেন্টরদসু, ষ্টেটতসু লৈরিবসিগী মনুংদা মণিপুর কাং-খোং চাইরে। কাং-খোং চাইরিবা ময়াম অসি খোমজিন তাশিন্দুনা ঈং-তপ্পা পুরকপা অমদি অপূনবগী শক্তম ঙাকপগী থবক আই এন দি আই এগী মীরেপ খক্তনা ঙমগনি। নুংশি চান্নবা, ঈং-তপ্পা, অপূনবগী শক্তম পুরক্লবা মীয়াম পূন্না হোৎনমিন্নরসি হায়খি।

ঙসি কোংগ্রেসতা য়াওরক্লুনা পার্টি অসিনা তরাম্না ওকখ্রবা মীওই ৪গী মায়কৈদগীসু আই এন দি আই এ ব্লোক্কী মীরেপ অনীদা পুন্না শৌগৎপীয়ু হায়না মীয়ামদা আপীল তৌখি।

## 'রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা ঐখোয়বু ...

*লমায় ১গী মখা...* নংলোই। নোংমৈ মরূ কয়া কাপশিল্লকপদগী লৈরঙদা পানফম কয়া লৈ। অদুবু ফাওজিল্লকপদি লায়রদনা নোংমৈ মরূশিং লুনা চঙবা ঙমদে। মরম অসিনা ইশাগী য়ূম অদু খ্বাইদগী পাম্মুবা পোৎশক অমনি। য়ূম মৈ থাদোকখিবা মতমদুদা ঐখোয়গী য়ূমগী অকোয়বদা ময়াং সিফাইশিং লৈরিবনি। অদুবু মখোয় লৈনা লৈনা কুকি লমহেনবশিংনা চঙশিল্লক্লুনা ঐখোয়গী য়ূম মৈ থাদোকপা করিগী ঙমহল্লিবনো খল্লুবদা হৌজিক ফাওবা শাউনীংবা কোক্ত্রি। খঞ্জিল্লুরগা পেন্দবগী পেন্দবা ঙাক্তনা পীক থল্লে, হায়ফম খঙদ্রে।

মণিপুর লৈঙাক্না করম্বা মতমদা ঐখোয়বু ইশাগী য়ূমদা মহৌশাগুম্না হঞ্জিন্দুনা লৈবা ফংহনগদগে ঙাইবদা ৱারে। ইশাগী য়ূম-ইন্থোলদা ইন্থোল কোইজদুনা অমসুং শূজ-নোমজদুনা হিংনবগী লম্বী ওইজরকখিবা অদুসু লৈত্রে। হৌজিকসু রিলিফ কেম্পতা লৈনা লৈনা কেন্দল শারগা লেল্লি অদুবু মসিনা হিংবদি য়াগদবা মান্দে হায়রকখি।

হৌজিক ফাওবা ইচানুপাদি খুল ঙাকপশিংগী মরক্তা য়াওরি। ঐগী নাক্তা মরক-মরক্তা লাকপা নত্তনা রিলিফ কেম্পতা লৈতে। মতম খরগী মমাঙদা পাঙ্গল লমখাই হায়না খঙনবা মফমদুদা লৈবা ইমুং অমগী মনুংদা মপা-মচা য়াওনা মীওই ৩ তূল্লিঙৈদা তমথীবা মওংদা হাৎলম্বগী থৌদোক থোকখ্রবনি। ঐগী য়ূমদুগা থৌদোক থোকখ্রিবা মফম অসিগা ইরাপ লাপ্পদ্রে হায়রকখি।

## মতম খরা শেনখায় লৌজরোই...

*লমায় ১গী মখা...* তৌবা ঙমজনবা মরম চাবা শেনফম তেংবাঙহনবা ঙম্বা অকক্লবা মীওই, লৈঙাক্কী লোয়শঙ, শেঞ্জা থুমজা তৌরগা মরল-মথুম চাউনা তানশিনখিবা মীওই, অরোনবা লল্লোন ইতিক তৌবশিং, প্রাইভেট স্কুল খরদগীদি পার্টিগী লেট্টর হেদ শীজিন্নদুনা শেল থুমগী তেংবাঙ নীজগনি হায়না থম্মোয় শেংনা খঙহঞ্জরি হায়রি।

| FOREX (INDIA RUPEES) | |
|---|---|
| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
| Euro | 90.092486 |
| US Dollar | 83.346635 |
| British Pound | 105.227360 |
| Australian Dollar | 54.373559 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.543456 |
| Japanese Yen | 0.550603 |
| Malaysian Ringgit | 17.643983 |
| Singapore Dollar | 61.779136 |
| South Korean Won | 0.061928 |
| Saudi Arabian Riyal | 22.225769 |
| Thai Baht | 2.286157 |

### GAS NEWS

**M/S K&K INDANE SERVICE, HOME DELIVERY ONLY BOOKING UPTODATE**
CALL TIMING: 8AM TO 12NOON
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL- Imphal East.
Singjamei. 9362663937
Tiddim line 87946 84988
SAGOLBAND TERA & SURROUNDING 8787530107 / 9863654574 /9774213728 /9089519886.
TAKYEL LANGJING,PATSOI AREA/8258856407 /8014963395
KONTHOUJAM A/c 9863201839
LAMSHANG A/C -9612493837

**M/S MANIPUR POLICE GAS SERVICE**
**BOOKING UPTO DATE**
Time: 09 am to 12 pm
Any enquiry and booking Contact no. 7629045883

**IMPHAL LPG SERVICE**
(Home Delivery only)
**Booking - Upto date**
Office Contact No.9362654114.
Time 8:30 am to 12:30 pm.
Available 19kg,10kg and 5kg.
URIPOK, LAMSHANG Delivery Boy - Guna Ph.no : 6009936192
KEISHAMTHONG, SINGJAMEI Delivery Boy- Aboy Ph.no: 8414050561
KWAKEITHEL, MALOM Delivery Boy- Chittaranjan ph.no-85756987
KEISHAMPAT Delivery Boy- Anand ph.no: 9089364355
NAGAMAPAL,THANGMEI-BAND, CHINGMEIRONG Delivery Boy-Sagar ph.no:8798303493
WANGKHEI, KHURAI, SAMUROU Delivery Boy-Bringkingson ph.no:7629857123
SAGOLBAND MOIRANG LEIRAK, TERA, PATSOI Delivery Boy - Somorjit ph.no: 7005316328
WAHENGBAM LEIKAI, SALAM LEIKAI Delivery Boy-Jiten ph. no : 9856506500

**HRANGCHAL GAS AGENCY**
VALID FROM: 15/03/2024
**BOOKING UPTO: 20/03/2024**
TIMING: 7:00 AM to 10:00 AM (Temporary).
For Home delivery: 9863576002 (SMS only)
Delivery within 7 days

Apollo Academy
Admission Open for FOUNDATION COURSE
Kwakeithel Bazar, Airport Road-01
Near AMUCO Building
Class XII Science
Phy + Chem + Bio + Maths + Comp.Sc. + Home Sc.+M.M.+Eng.
Class Starts: 15th April, 2024 | Timing : 4:10 p.m. to 7:50 p.m.
[Both CBSE & COHSEM]
We provide
"CUET/JEE/NEET Nurture Test Series & FREE Basic Computer classes"
Weekly/Bi weekly Test Series for Every Subjects
Class XI Science
Phy + Chem + Bio + Maths+English
Class Starts: 25th April, 2024
Timing : Morning (6:00 am to 9:45 am) Evening (4:10 pm to 7:50 pm)
Special features:
SPECIAL ENGLISH & MM CLASSES OF COHSEM SYLLABUS ONLY
School Van Service. Affordable Tuition Fees
Half Hostel Admission fee for 2023 Matric Rank Holders & Government school students (Limited seats).
Study materials from Edurev & Infinity Learn
Avail Hostel for boys & girls.
Mess Fee : 4,500/- per month
For enquiry:
Pliz visit Apollo Office (8258013846)
HL-B/8672/2 April to 5 May

SPOKEN ENGLISH
FOR GENERAL CLASSES AND SPECIAL CLASSES FOR ONLY ONE PERSON
FOR SENIOR AND STUDENTS (OFFLINE OR ONLINE)
GLOBAL SPOKEN ENGLISH AND DOT COM COMPUTER
GOURAHARI MARKET, BEHIND POLOGROUND, NEAR HOTEL KHRISTINA PAONA BAZAR, IMPHAL
CLASS TIMING : 5:15 AM TO 6:30 AM, 6:30 AM TO 8:00 AM, 11:00AM TO 12:30 PM, 3:00 PM TO 4:30PM, 5:00PM TO 6:30 PM.
INSTRUCTOR : SIR TEJKUMAR (TEACHING SINCE 1987)
PLEASE CONTACT : 8132904426
HL-B/8573/30 Jan. to 28 March

মোবাইল তাহৌরে
হৌখিবা তাং ৩১/০৩/২০২৪দা ঐহাক্কী মোবাইল ফোন "I-Phone-15" অমসুং সিম নম্বর ৮৪১৩০৭০৪৬৬ থৌবাল বজারদগীনা পাওনা বজার ফাওবগী মনুংদা তাহৌরে। কনাগুম্বা পুকচেল চাউবা মীওইনা খুনবীরবদি চানবীদুনা মখাগী কন্টেক্ট নম্বর অসিদা পাউ পীবিরকউ। অৱামল মতিক চানা পীজগনি।
Sd/- Laitonjam Sanjeev
Contact No. 9402802751
HL-P/10332/02

APOLLO INTERNATIONAL SCHOOL
Lilong Chajing, Imphal West, Manipur

| Sl.No. | Particulars | Qualification | No. Post |
|---|---|---|---|
| 1. | Primary Teacher | Graduate | 2 |

Interests Persons are request to submit their Educational Qualification certificate along with application to the school on or before 5th April 2024.
Sd/- Secretary, 7005329803,9863460374
HL-P/10314/01,02

INNOVEGIC GLOBAL INSTITUTE
Recognised by Ministry of Corporate Affairs, Govt. of India
ADMISSION OPEN
AVIATION
CABIN CREW & GROUND STAFF at Just Rs. 15k till selection.
COMPUTER
SPOKEN ENGLISH
SPOKEN HINDI
SPECIAL PACKAGE FOR X, XI & XII APPEARED STUDENTS
at just Rs.3K for 3 months
ENROLL NOW
Limited Seats, Limited Period
MORE INFO # 7005214205 # 6009048058 # 9366338477
Terms & Conditions
HEAD OFFICE: OLD LAMBULANE, OPP. G.P WOMEN'S COLLEGE, IMPHAL.
BRANCH OFFICE: KEISHAMPAT HODAM LEIRAK MACHIN, NEAR SANGAI EXPRESS.
HL-B/8666/25/3-27/4

INNOVEGIC GLOBAL INSTITUTE
An ISO 9001:2015 Certified Institute
INNOVEGIC GLOBAL AVIATION
Under IGI Pvt. Ltd.
Recognised by Ministry of Corporate Affiars, Govt. of India
Congratulations! OUR RECENT ACHIEVERS


HEAD OFFICE : OLD LAMBULANE, OPP. GP WOMEN'S COLLEGE,IMPHAL.
BRANCH OFFICE : KEISHAMPAT HODAM LEIRAK MACHIN, NEAR SANGAI EXPRESS.
HL-B/8666/25/3-27/4